থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# শেল অমদি কলাকার

শেল (পৈশা/মনি) হায়বসিনা ঙসিগী তাইবঙপান অসিদা লৌরিবা থৌদাং, মসিগী মতেংনা মীওইবনা তৌবা ঙম্বা (শক্তি) গী চাং অঙকপনি। শেলনা মীওইববু শেম্মী, লৈখা তানসু মাঙহল্লি। শেলগী মতিক-ময়াই, মথৌ-মঙম-ঙসিতা নত্তে, নৈনবগী হীরম অমা ওইরক্লিবা কুইরক্লে। 'মিংচৎ অমদি শেল হায়বসি তাল্লগা ফংগদবা পোৎশক নত্তে, ইশানা তৌরিবা থবক্তুগী মতুং ইন্দুনা, লাকচগদবনি মশানা' ... ৱাহায় অসিদা অচেৎপা থাজবা থমহল্লকখি ঐবু লমজিং লমতাকপীরকপা ওজাশিংনা, পাজরুবা লাইরিকশিংনা। মায় পাকপা অমদি শেল অনী অসি মরী লৈনৈ/লৈনদে, ঙসিগী মীরোলসিনা খ্বাইদই চমম্ননা নৈনরিবা ৱাফমনি। ... 'শেলনা লাইরিক লৈবদি ঙমগনি লৌশিংদুদি লৈবা ঙল্লোই' ... হায়বা পাউতাকসিনা পূক্লিং ৱাখল অনীমকপু লাঙ্গোয় চন্দুনা থল্লক্লিবা কুইরক্লে। 'শেলনা মমল য়াম্বা পোৎলমশিং লৈবদুদি ঙমগনি, নুংঙাইবদি লৈবা ঙল্লোই' হায়বা লীরবা ৱাহায় অসি করেম্মদুনা অমেরিকান এক্ট্রেস 'বো দেরেক'না হায়খি ... 'শেলনা নুংঙাইবা লৈবা ফংদে হায়রিবদু কদায়দা কৈথেল কাগদগে খঙদবশিংনা হায়বনি...'। বো দেরেক্কী ৱাহৈসি চুম্মী/লাল্লি নৈনরোই, ৱাহৈশিংসিদা মমি তারিবা ঙসিগী মীরোলগী 'ৱাখল মমি' অদুনি খন্থনীংঙাই ওইরিবা। শেলগী ৱাফম নৈনরকপদা ঐখোয়না কাউফম শুকথোক থোক্তবা ৱাফম অমগা লৈ... 'মায় পাকপা নুপা হায়বদুদি মাগী নুপীনা খরচ তৌবা ঙম্বা চাংদগী হেন্না শেল তানবা ঙল্লবা মীশক অদুনি, অদুগা, মায় পাকপা নুপী হায়বদুনা অদুগুম্বা নুপা অমা ফংজরবা নুপীদুনি...' (লারা টর্নর, অমেরিকান এক্ট্রেস)।

সেক্সপিয়রগা থংমুন থাউমুনমিন্নবা (চহী অমত্তদা পোকমিন্নখিবা), সেক্সপিয়র'না পুন্সি ইথিল পীখি হায়জরিবা বৃটিশ দ্রামাটিষ্ট অমদি কবি 'ক্রিষ্টোফর মার্লোৱি'না হায়রমখিবা/ইরমখিবা ৱাহৈদুসু নীংশিংই ... 'শেলনা নুংশিবা লৈবদি ঙমদে, অদুবু মমল লেপ্পদি ঙম্মী...'। ঙসি হিংলিবা মীরোলসিদসু, মেটরিয়েলিষ্টিক ওইবা মীরোলঙাক্তা লৈবা নত্তে, অসুম্না হায়বসু য়াওরকই ... 'শেলনা মমল য়াম্বা, ফজবা হুই অমা লৈরুবদি ফংগনি, অদুবু হুইদুগী মমৈ ফর-ফর হাইহনবা ঙম্বদি নুংশিবা কৌবা মমল নাইদবা পোত্তুখক্তনি...' (কিনকি ফ্রিদমেন, মেক্সিকান সিঙ্গর, সোং-রাইটর)।

নৈনবগী লোইবা নাইরোইদবা হীরমসিদা মখা তানা নৈনজররোই। কলা, কলাকার, ক্রিয়েটিভিটি, অইবা ... ৱাহৈশিংসিগা শেলগা করি মরী লৈনবা... মায় পাকপা মী ওইবদা শেল'না করি থৌদাং য়ারকপা ... অসিনচিংবা ৱাখলশিং ঙসি কন্না খল্লক্লি। ৱাখল অসি খল্লুরগা ১৪শুবা চহীচাদগী ১৭শুবা চহীচা ফাওবগী মতমসিদা য়ুরোপকী মফম কয়াদা থোকখিবা অকনবা কলচর অমদি লিটরেচরগী ঈহৌ, ইংরাজিদা রেনাসাঁ হায়না খঙনখিবা, ময়ায় ওইবা (মেদিয়েভল) ওইবা য়ুগতগী অনৌবা (মোর্দন) য়ুগ অসি হোংলকপগী মতম অদু নীংশিংলকই। অসিগুম্বা অরি অনৌ শিন্নবগী তাঙ্কক অসি মফম খুদিংদা লৈগনি। মণিপুরদসু লৈখি। রেনাসাঁ হায়বসি করিনো? করম্না ওইরকখিবনো? হায়বদু নৈনবা ইসিঙ্গাং নৎচদে, পন্দ' য়াদবই পল্লুবনি। ঈহৌ অসিগী হৌরকফম, ইটালিগী অপিকপা সহর 'ফ্লোরেন্স' হায়বদুদা ওইখিবনি। লৈহাও ফরবা লৈকোল অমদা ফজ-ফজবা লৈরাং কয়া লৈশাৎ তল্লকপগুম, মশীং থিঙমদ্রবা অফাওবা আর্টিষ্ট কয়া পোকখি - মতমদুদা, মফমদুদা। করম্না থোকখ্রিবা অদুম্না? লমদমদুগী মীশিংগী ঈ-তোং (জিন) দা য়াওরকপা থোইদোকপা মগুন অমরা? হংনখি মীয়াম্না। খন্নখি পূম্নমক্না।

নো! নত্তে! ঈ-তোংদা য়াওরকপা গুন (জিনেটিক ক্যারেক্টর) না নত্তে। লল্লোন ইতিক তৌবা নুংঙাইবা অমদি ইন্দষ্ট্রিয়েল সেন্টর ওইবনা, মতমদুদা 'ফ্লোরেন্স' সহর, য়ুরোপকী মনুংদা খ্বাইদই হেন্না ইনাক খুনবা সহর ওইরম্মী। মালেমগী মফম পূম্নমক্তা শেল শান্দোকপা (মোর্দন বেঙ্কর) গী থবক তৌবা কম্পনি 'মেদিসি' - মতমদুগী খ্বাইদগী শেঙ্গাও পায়বা, ইনাক খুনবা খূৎপু ওইরম্মী। খূৎপু অসিনা য়াল্লবা শেনফম কয়া থাদদুনা অনৌবা দিজাইনগী য়ূম কয়া শাখি, হান্নগী অরিবা য়ূম নৌনা দিজাইন তৌথোকহনখি। সহর অদু ফজহন্নবগীদমক মালেমগী অফাওবা আর্টিষ্ট কয়া, আর্টিষ্টশিংদুনা মঙদা ফাওবা মঙখিদ্রবা শেনফম পীদুনা থবক শূহনখি। লৈহী হোম্বা লৈকোন্দা হয়িংখোই শঙ্গু-শঙ্গু পাইশিনবগুম, অনকপা অরাপ্পা মফম পূম্নমক্কী কলাকারশিং 'ফ্লোরেন্স' তম্না থোমজিনখি। অসুম্না মরূ হুনখিবনি, রেনাসাঁ হায়না খঙনবা ক্রিয়েটিভিটিগী লৈকোলদুগী হৈপাল-লৈপালগী মরূ। মদুদা লৈশাৎ তমখিবা মপালশিংদুগী মরূনি মালেম শিন্না মালংবনা শন্দোকখিবা।

কলাকারশিংনা পূক্লিং মকা লাম্মী, শেল লৈবা মফমদা। করাম চাউবা পূক্লিংগী শেলনা য়েক্লবা ওইবদু, কলাকারগী মফমদদি খ্বাইদই চান্নবা মরুপনি। ইন্দিয়াগী কম্মর্সিয়েল কেপিটেল 'মুম্বাই' (বোম্বে) কলচরেল কেপিটেলসু ওইবগুম, অন্দরৱার্ল্ড-দোন'শিংগী লাইরৈবাকসু ওইরিবনি। 'মকবুল ফিদা হুসেইন' - মণিপুরদা পোক্লম্মু, কনানা লৌখৎপীরমগনি? আর্ট এন্দ কলচর চাওখৎলকপই ইতিহাস, 'মনি মার্কেট' চাওখৎলকপই ৱারীগা শেত্তোক্লবা য়ারোই। শেল তানবা নত্তনা অতৈ অমা খন্দবা কাঙবু অমগা, শেলগী ৱাখল খন্দনা কলাদুদা লুপ্পবা মীওই কাঙলূপ অমগা, মীওই মখল অনীনি খুন্নাইসিদা লৈরিবা। ৱাৎপা-লৈত্র'-মরলদু কলাদুগীদমক পীথোকপদা পাম্মুদবা, আর্ট-প্রোমোটর লৈরমদ্রবা ক্রিয়েটিভিটি-ঈফূৎ কংলম্লনি নহান্না। কনাগুম্বই মমীত্তা 'উকংনা শাবা মমল য়াওদবা মিতম'দু কনাগুম্বা অমনা মিল্লিয়ন দোল্লর অমগা খূৎশিন্নরম্লগা দ্রোইং রুমগী লৈতেং ওইখিবা, মদুতদা খঙলকই মপান নাইদবা কলাগী মমল। মমল লৈতবা কলাগী পোত্থোক কয়ানা লৈতেং ওইবা, কলাকার নত্তবা কনাগী ইমুং-খ্বাইদগী অৱাংবা থাক্তা ইকায়খুম্নরিবা অমা শোয়দনমক্কী ওইরমনি।

ইনাক খুল্লবা কলাগী পুক্কে অমা শেমগৎলম্বা মণিপুর, পুকচেল চাউবা নিংথৌশিংনা কলাকারবু য়োক্লিনৈঙে, রোয়েল পেট্রোনেজ পীরিবঙে, ইকায় খুম্নবগা লোয়নননা য়াইফ-নুংঙাই ফংহল্লিঙে মতমদনি। নিংথৌনা শিংথাবীদবা, চরা হেনবা শিনফম অমা ওইরম্মু - কদায়দগী জগোয় ঈশৈ! চাবা থকপা ৱাত্তনা, লেম্না পানা হিংলম্বগী খূদম চাংদমনি - কুম কাংদবা হরাও-কুমহৈ, জগোয়-ঈশৈ।

'মতম'না য়াওল্লকপদা মরা তাখ্রবা লাইনীং লম্বীগা পকশিন্নখিবা কলাগী পোত্থোক খরা নত্তনা তাঙলবা কলাগী পোত্থোক কয়া মূৎশিল্লকপা - 'মনি ফেক্টর' অদুননি। নিংথৌরোল-লৈঙাক লোইখিবা মীয়াম লৈঙাক লাকখিবা, মণিপুরগী কলানা মরায় চায়থরকখিবগী অচৌবা মরম অমনি। 'আর্ট'পু এপ্রিসিয়েট তৌজবা শেঙ্গাও পায়বা মীওই কাঙলূপ অমা থোক্লককপা ঙাইবা তারি - মণিপুরগী মোর্দন রেনাসাঁ অমগীদমক। হোলিৱুদকী কম্মেদিয়ন 'দব্লিয়ু সী ফিল্ডস'না হায়খিবদু নীংশিংলকই ... 'ইনাক খুনবা মীশক অমা হায়বদু অতৈ কনা নত্তে, শেল লৈবা লায়রবা মীশক অদুনি...'।

লৌশিং পুক্কে

# মোদর্ন মেদিসিন অমদি মসিগী খোঙচৎ-৫



২০০০ দগীনা হৌজিক ফাওবদা লৈখিবা শিংথানবা য়াবশিং

২০০০: সইন্টিষ্টশিংনা হ্যুমেন জিনোম প্রোজেক্ট (ঐচ জি পি) দ্রাফ তৌবা লোইখি। প্রোজেক্ট অসিদা মালেমগী মফম কয়াদগী কোল্লাবোরেটরশিং য়াওই।

**প্রোজেক্ট অসিগী পান্দমদি:**

- দি এন এ শেল্লিবা কেমিকেল বেজ প্যেরশিংগী সিক্বেন্স খঙদোকপা অমদি
- মীওইবগী জিনোমদা য়াওরিবা জিন ২০০০-৩০০০ মশক খঙদোকপা অমসুং মেপ তৌবা অসিনি।

প্রোজেক্ট অসিনা জিনেটিকেল্লি বেজ দিজিজশিংবু ফহন্নবা অমদি নারক্তনবগী অনৌবা লায়েংশিং অমদি হীদাক-লাংথকশিং দিভেলপ তৌরকপা য়াই।

২০০১: ডা. কেন্নেথ মাটসুমুরানা অহানবা বাইও-আর্টিফিসল লিভর শেমখি।

২০০৫: জিন-মাইকেল দ্যুবরনার্দ কৌবা ফ্রেন্স ট্রান্সপ্লান্ট স্পিসলিষ্ট অমনা হূইনা চীকপদগী মমায় শোয়নাইরবা নুপী অমবু পার্সিএল ফেস ট্রান্সপ্লান্ট তৌখি।

২০১৫: স্পেনিস দোক্তরশিংনা শুটিং এক্সিদেন্ট অমদা মমায় শোয়নাইখ্রবা নুপা অমদা ফুল-ফেস ট্রান্সপ্লান্ট তৌখি।

**হৌজিক ওইরিবা ফিভম:**

রিসার্ছ কয়া তৌদুনা মেদিকেল সাইন্সপু মাঙলোমদা চৎখৎনবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি। সাইন্টিষ্টশিংনা হৌজিক কন্না হোৎনরিবা থবক থৌরমশিংগী মনুংদা মখাগীশিং অসিসু য়াওরি:

**টার্গেটেদ কেন্সর থেরাপি:** দোক্তরশিংনা কেন্সর অমদি অতৈ লায়না কয়াবু লায়েংবদা বাইওলোজিক কৌবা অনৌবা দ্রগকী ক্লাস অমা শীজিন্নবা হৌরক্লি। অনৌবা দ্রগশিং অসিদি হান্না শীজিন্নরম্বা মশা ফবা শেলশিংদসু অমাঙ অতা থোকহনবা কেমোথেরাপিগী লায়েং অসিগা মান্নদবা মওংদা কেন্সর সেলশিংদা য়াওবা অকক্লবা প্রোটিনশিংখক্তংদা টার্গেট তৌদুনা হকচাংদা থোইনা অমাঙ-অতা থোকহন্দে।

**ঐচ আই ভী ট্রিটমেন্ট:** হৌজিক লৈরিবা ঐচ আই ভী ট্রিটমেন্টকী ইফেক্টিব ওইবগী চাং অসি, হীদাক চাং নাইনা চারগদি ভাইরস অসি অতোপ্পা মীওইশিংদা শন্দোকপা ঙমদে। ঈদা ভাইরস য়াওবগী চাং অসি শুকয়াও য়াওদবগা চপ মান্নহনবা ঙল্লে।

**ষ্টেম সেল থেরাপি:** সাইন্টিষ্টশিংনা ষ্টেম সেলশিংদগী মীওইবগী টিসু অমদি ওর্গান ফাওবা শানবা হোৎনরি। টেক্নিক অসিনা নোংমদি অশোকপা ফহনবদগী হৌরগা প্রোসথেটিক্স অমদি লিভর শিনবফাওবগী লায়েং মখল কয়াদা মতেং পাংলকপা ঙল্লগনি।

**জিন থেরাপি:** সী আর আই এস পি আর জিন ইদিটিং হায়না খঙনবা জিনেটিক ইঞ্জিনিয়রিং মখল অমনা তুংলমচৎতা হার্টকী লায়না, ল্যুকেমিয়া, সিষ্টিক ফাইব্রোসিস অমদি মেমোফিলিয়াগুম্বা হেরিদিটরি অমদি জিনেটিক্কী ওইবা লায়না কয়া নাহন্দবা ঙল্লকপা য়ানা লৈরে।

**রোবোটিক্স:** সর্জনশিংনা অকক্লবা মখলগী প্রোসিজরশিং চত্থবদা রোবোটিক্স অমদি রিমোট-কন্ট্রোল টুলশিংনা মতেং পাংবা ঙল্লে। নোংমদি সর্জনশিংনা মোনিটর অমদা য়েংদুনা সর্জিকেল রোবোটশিংবু কন্ট্রোল তৌরগা ওপরেসন তৌবা য়ারকপা য়ানা লৈরে। অসুম্না তৌবা অসিনা মীওইবনা থবক তৌবা মতমদা অশোয়বা য়াওবগী রিস্কশিং অদু য়াওহন্দবা য়ারগনি।

অতোপ্পা মায়কৈ অমদনা মেদিকেল সপ্লাই কম্পেনিশিংনা দ্রোন শীজিন্নদুনা মনুং হঞ্জিনবা অমদি রিমোট এরিয়াদা লৈবা মফমশিংদা হীদাক-লাংথকশিং য়ৌহনবা ঙমখ্রে।

**মায়োক্নরিবা খুদোংচাদবশিং:**

মোদর্ন মেদিসিননা খোঙজেল য়াঙনা মাঙলোমদা চঙশিনবা ঙল্লগসু য়াম্না চাউবা শিংনবা কয়া অমদি লৈরি।

শিংনবশিং অদুগী মনুংদা এন্টিবাইওটিক রেজিষ্টেন্সকী চাং ৱাংখৎলকপা, পোল্ল্যুসন অমদি ইনভাইরনমেন্টেল হাজার্দকী চাং হেনগৎলকপা, খুদোংথীনিংঙাই ওইরবা ইনফেক্সিয়স দিজিজ কয়া লেপ্পা লৈতনা থোক্লকপা অসিনচিংবা পনবা য়াই।

এন্টিবাইওটিক রেজিষ্টেন্স হায়বসি এন্টিবাইওটিক কাঙলোন লান্না শীজিন্নবা হায়বদি মতম শুদ্রিঙৈদা শীজিন্নবা লেপথোকখিবা, মতম হেল্লবফাওবা শীজিন্নদুনা লৈবা অমদি মথৌ তাদবা মতমদা এন্টিবাইওটিক লান্না শীজিন্নবা অসিনচিংবা কয়া অসিনসু এন্টিবাইওটিক রেজিষ্টেন্সকী চাং ৱাংহন্নবগী মচাক অমা ওইরি। অসুম তৌবা অসিনা হকচাংদা অনা-অয়েক থোকহনবা মহীক-মতাংশিং অসিবু হাৎননবা শারক্লিবা হীদাকশিং অসি শীজিন্নরগসু হাৎপা ঙমদবা মহীক-মতাং মখল কয়া পোকহল্লক্তুনা কনবা ঙমদবা লায়না কয়া থোকহল্লকই।

২০শুবা চহীচাদসু তমথিরবা লায়না কয়ানা মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙবগী থৌদোক কয়া থোকখ্রে। লাক্লিবা চহীশিং অসিদদি হান্না থেংনদ্রিবা লায়না লাইওং কয়া অমা লাক্তুনা মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙবা য়াবগী অকিবা লৈরি।

মরম অদুনা ফমদুনা লৈথোকপগী মতম ওইদ্রি। মালেমদা লৈরিবা মীওই খুদিংমক্না মানা-মানা ঙম্বা থাক্তা হোৎনদুনা পোল্ল্যুসন থোক্তনবা হোৎনবা, হীদাক-লাংথক চাবদা কাঙলোন চুম্না চাবা অসিনচিংবা কয়া অমা মথৌ তারি।

ঙসিগী রাশি ফল
অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৩।০২।২০২০ ইং, নিংথৌকাবা,
ফাইরেলগী ৯ নি পানবা।

**মেষ :** পাউ নুংঙাইবা তাগনি, নচা-ননাইগী লম্দা পূক্লিং পেঞ্জবা, লেপ্পা লৈতনা হোৎনববা মীকোক থোংবা য়াবা লৈ। নিংথিনা খন্থদ্রদি মরম চাদনা শেল পীখিনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফবা ৱাৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

**বৃষ :** হরাওবা নুংঙাইবা, লাইবকসু ফবা অমদি ৱাখল খজিক খন্থরদি শোইদনা মায় পাক্কদবা নুমিৎনি। অদুবু মোং হাদবা অমদি মরুপ খনবা হৈরদি হেন্না ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নাপলনা মাঙহনগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

**মিথুন :** য়েক্লবনা মরুপ শারম্লগা নথক থোংবদা পাওথোকপিবা লৈগনি অমদি য়েৎনবগী লম্দা মায়থীগনি। খাংবা কনবা, কিদবা অমদি ৱাঙাঙ হৈবনা মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নোল্লুক্না চৎলু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**কর্কট :** শেল ফংগনি, অনৌবা থৌরমদা পূক্লিং চংবা কান্নগনি অমদি লাইবক ফগনি। অদুবু থিবা হুম্বা কন্দ্রদি পূক্লিং নুংশিবা থৌদোক থোকপা য়াই, ৱানোম্বা য়াদে।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**সিংহ :** থবক পাংগনি, মীয়ামগা মরী ফরনি, অফবা মফম ফংলনি অমদি ইচং থৌবগী মহয় অফবা ফংগনি। ওইজ-ওইথক শোইদনা ফংগনি-অনীংবা পাংবা য়ারগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**কন্যা :** হায়জ-নোঞ্জবগী কান্নবা ফংগনি, পন্দুনা লৈরুবা থবক্কী নুংঙাইবা পাউ তাগনি। অনীংবদুমক ওইথোক্রুসু থৌনা লৈনা পাংবা খরদি মহয় য়ানগনি, মীনা কিগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**তুলা :** লাইবক ফবা ৱাৎপা অমদি লৌশিং ফুদোকপা ঙমদবা নুমিৎনি। অঙম্বনসু চানবীবা ৱাৎকনি-অরুবা অনৌবা থবক পায়দবা ফৈ। লৌশিং চাউবা লোয়নবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - মতম ঙাইয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**বৃশ্চিক :** খ্বাইদগী হেন্না নীংবা থুংবা নুমিৎনি। মীয়াম্না থাগৎপিগনি অমদি অরং-অরাক ফংবগুম নুংঙাইজগনি। লন অমদি লৌশিং মরাং কাইনা তানশিনবা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**ধনু :** অশাওবনা কাইনবা অমদি অনম তাল্লগনা নরলদা তাইনবা লৈরবসু লল্লোন ইতিক্কী লম্দদি চাউনা কান্নগনি অমদি মীচং লৈবনা মীনা লাকচবা ঙমলোই।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**মকর :** অফা অপুন্নে-থৌয়াম পুরুনু। হন্থবা লোয়নবা অমদি নথক থোংবনা য়ানবা চত্রবদি নুংশাথীবা নংগনি। মরুপ-মপাংগী মতেংদি লৌবা য়াগনি, শেল ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - য়েৎনরুনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**কুম্বা :** নচাক-নরল ফংগনি অমদি অহেনবা লৌশিং তানশিনবা য়াগনি। মীবু তাকপি-তম্বীবা ঙম্বা লৌশিং লৈগনি। চিঞ্জাক কাম্লবা নত্রগা য়েৎনরবা মাঙজবতা থুংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - অচুম্বনা মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মিন :** মীচং হেনগৎলনি, লল্লোনবগী লম্দা মায় চাউনা পাক্কনি অমদি নীংবা মপা চাগনি। মীয়াম্না য়াম্না য়ারনি, হনবা লৈতনা হোৎনবনা মীকোক থোংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ নম্বর ১১১, লিটরেরি ক্যুইজ নম্বর ১১২গী মনা খূৎশিন্নখ্রে



থাংজম গীতা (লিটরেরি)



মাইস্নাম বুধ (স্পোর্টস)

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০২ (ঐচ এন এস): হুইয়েন লানপাউ পাউচে অসিনা লেপ্তুনা চত্থরক্লিবা হুইয়েন লানপাউগী স্পোর্টস ক্যুইজ নম্বর ১১১গী ৱিন্নর ওইখ্রবা মাইস্নাম বুধ অমসুং লিটরেরি ক্যুইজ নম্বর ১১২গী ৱিন্নর ওইখ্রবা থাংজম প্রেমকুমারগী লোয়নবী গীতাদা হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্সনা মনা খূৎশিন্নখ্রে।

সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায়দা লৈবা পাউচে অসিগী ওফিসতা পাঙথোকপা মনা খূৎশিন্নবগী থৌরমদা মনা পীদুনা ঈকায় খুম্নখ্রবা হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ নম্বর ১১১কী ৱিন্নর ওইখ্রবা মাইস্নাম বুধ চিংঙামখা মাইস্নাম লৈকায়দগীনি।

মাইস্নাম বুধনা ফোঙদোকখিবদা, সী এ এগী মতাংদা মায়কৈ অনীনা হায়নরিবা ৱাফমশিংগী মতাংদা ৱাফম খরা থম্লিংই। নাকল অমনা হায়রিবনা নৈহৎপীরবা মীওইশিং (অকক্লবা লৈবাক, লাইনিং-লাইশোন্দা য়ুম্ফম ওইবা) কাঙবু খরবু ইন্দিয়াগী সিটিজন ওইহনবা হায়বসিনা মহাত্মা গান্ধীগী নীংজরম্বা মঙলান মপুং ফাহনগনি অমসুং হান্না লৈজরম্লবা ইন্দিয়া মচা অমত্তগী সিটিজন্সিপ মাঙহল্লোই হায়বনি। হায়রিবা ৱাফম অসি চুম্মী, ককপা য়ারোই। অতোপ্পা নাকল অমনা অমুক হায়রিবনা থৌদৌ অসিনা ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসনবু শীংনবনি অমসুং ইন্দিয়াগী সেক্যুলরিজমগী মায়োক্তনি হায়বনি। মসিসু লান্দবা মাল্লি। হৌজিক লাক্লিবা ৱাফমদি নাকল অনীমক্না ফোঙদোক্তনা নুংদা থম্বা মানবা নৎত্রগা উবা ঙমদবা নুংগী চেল্লিবা ৱাফম খরা লৈবা মানবা অদুনি। ইলিগেল মাইগ্রেন্টশিংবু ইন্দিয়ন সিটিজন ওইরক্লবা তুংদা মখা করি ওইরকপা য়াবগে হায়বনি। মখোয়শিং অদুনা লিগেলি য়ানরবা ইমিগ্রেন্ট ওইরক্লবা মতমদদি মখোয়গীদমক লৈফম, চাফম, শুফম-নোম্ফমনচিংবা য়েংশিল্লক্তবা য়ারক্লোই। মখোয়গীদমক্তা রিহেবিলিটেসন হায়বা অসি মরুওই। পুম্নমক অসি অমত্তা খন্থদনা ইন্দিয়াগী সিটিজনশিংগী মরক্তা অদুম তীনশিনবা তারগদি হান্না লৈজরম্বা সিটিজনশিংদা হীরম খূদিংমক্তা ৱাইচিনবা হেনগৎলক্কনি হায়বসি মশানা তাবনি। ইন্দিয়াগী ষ্টেট খরদা এক্ট অসিগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লিবা অসি মরম অসিননি। ফীভম অসি উবনা অমেরিকাগী প্রসিদেন্ট ত্রম্পনা মাগী ইলেক্সন কেম্প্যেনদা ইলিগেল ইমিগ্রেন্টেকী মায়োক্তা লৈগনি হায়না ৱাশকখিবনি। মণিপুরগী কন্টেক্সতা য়েংবা তারবদি এক্ট অসিনা তুংদা অকায়বা লাক্কনি হায়বদা লান্দবরা হায়না খল্লি। মীতোপনা পীক থল্লবা অমসুং মীতোপ চঙলকপদা য়াম্না লাইবা মণিপুরগুম্বা ষ্টেট অসিদদি এক্ট অসিনা কান্নবা পীবদগী মাঙজবনা হেনগনি হায়বনি।

মণিপুরগী ট্রাফিক্কী মতাংদা ৱাফম কয়াসু থম্লিংই। মী খূদিংমক লম্বী চৎপগী চৎন-কাঙলোন ফজনা খঙবা ঙাক্তনি। অদুবু মানা মানা খঙলিবা লম্বী চৎপগী কাঙলোন অদু ঙাক্না চৎপা উদে। অরানবা মায়কৈদা শমজিন-শমজিন্দুনা চৎনবা হোৎনবা উই। মসি অফবা নত্তে। ট্রাফিক পোইন্টশিংদা মথৌ তৌরিবা মীওইশিংনা ঙাইহাক্কী ওইবা ট্রাফিক জাম ফনবনি হায়দুনা অরানবা মায়কৈদা চৎনবা হায় অমসুং চৎহল্লি। মসি তৌরোইদবা থৌওং অমনি। হৈনবী হায়বসি পাক থাদোকপা ঙম্নদে। মখোয়না লৈত্রবা মতমদা লম্বী চৎলিবা মীয়ামদা চুম্না চৎচবা মীওইশিংগা লম্মুক্লবা থোকপা থেংনৈ। অতোপ্পা পাম্বৈশীজিন্নদুনা ট্রাফিক জাম হন্থহন্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা মতাং অসিদা শীজিন্নগদবনি। ঐখোয় খূদিংমক্না লম্বী চৎপগী কাঙলোন চুম্না চৎহন্নিংই। মখল কয়াগী মচুগী মার্কিং মরাং কায়না থমদুনা চৎলিবা মীওইশিংদা কাঙলোন চুম্না চৎহনবা তঙাইফদবা লৈ হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ নম্বর ১১২ গী ৱিন্নর ওইখ্রবা থাংজম প্রেমকুমার চরাংপাৎ মনিং লৈকায়দগীনি। প্রেমকুমারগী মহুৎ শীন্দুনা মহাক্কী লোয়নবী গীতানা মনা লৌখি।

গীতানা ফোঙদোকখিবদা, হুইয়েন লানপাউদা হাপ্লিবা হুইয়েন ইন্দুগী থম্মোয় পাউদম, মাখোনমনি মোংশাবগী মতম মতমগী ৱাফম চাং নাইনা পায়। ৱাখল লৌশিং কয়া ফংই। অতোপ-অতোপ্পশিংসু অদুম্মক চাং নাইনা পায়। মীরমদা লৈরবসু মণিপুরগী অৱা-নুংঙাইগী পাউ পাবদা অসুক্কী মতিক নুংঙাই। মতম শাংনা চাউখৎপা ওইবীয়ু। লিটরেরি ক্যুইজ অসি য়াম্না কান্নে। খঙদবা কয়া অমা থিদুনা পাবদা খঙবা হেনগৎলি। মসি য়াম্না কান্নবা অমনি। হৌরক্লিবা মীরোলশিংদসু য়াম্না কান্নবা ওইগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ꯖꯦꯁꯤꯑꯥꯔꯏ JCRE Skill Solutions empowering our youth
We're HIRING
**Accountant**
No. of Vacancies: 02
Essential Requirements:
B.Com / M.Com / MBA in Finance
Good in MS Word, MS Excel and Tally ERP9
Possession of two wheeler is mandatory.
**Project Co-ordinator**
No. of Vacancy: 01
Essential Requirements:
Any Graduate
Good in MS Office (Word, Excel and PPT)
Possession of two wheeler is mandatory.
Job Location: Thangmeiband
hr@jcre.ac.in (interested candidates may send their resume on or before 7th of February 2020)
8837416697 Call us in between 09:30 am - 04:00 pm (Mon-Sat)
HL-B/5723/2-5

ADMISSION OPEN
"LULLABY"
A Child Care Cum Pre-School
Nagamapal RIMS Road Corner, Near Traffic Point
A co-educational school for Playgroup, Pre-Nursery, Nursery and KG.
1 year scholarship to those aspiring students who stood 1st, 2nd and 3rd position in their respective classes.
Total Child Care
Nutritious Food
Child Psycological Development
Well Equipped Playing Facilities
Accurate Teacher and Child Ratio
Session starting from 6th February, 2020.
Kinder pool and twinkle kids system of education
Monthly Tution Fees are free for this academic year as an introductory offer.
6009103078
HL-P/4570/19-28jan.